# বস্রা খোঙজং : অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখ্রবা মতুং য়ু এস কন্সোলেট থোঙ লোনখ্রে



ৱাশিংতন, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ইরাক্কী খাথংবা বস্রা লমদমদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা শাথিবা খোঙজং চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা মৈ অমসুং ঈশিং ফংহনবা ঙমদ্রি। লমদম অদুগী মীয়াম্না মৈ অমসুং ঈশিং মতিক চানা ফংহন্নবা দিমান্দ তৌদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ইরাক্কী খাথংবা সিটিদা লৈবা য়ু এস কন্সোলেট থোঙ লোনশিনখ্রে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না ইরাক্কী বস্রাদা ইরান অমসুং ইরান্না শৌগৎপা ফোর্স কয়ানা কিহন-খঙহনবগী থবক চখ্থরকপনা মরম ওইরগা বস্রা সিটিদা লৈবা য়ু এস কন্সোলেট থোঙ লোনশিল্লগনি হায়না য়ু এসনা ফোঙদোরক্লি। য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোমপেওনা ফোঙদোরকখিবদা, কন্সোলেট অদুদা লৈরম্বা ষ্টাফশিং ইমার্জেন্সি ওইনা বাগদাদতা থংদোরকখ্রে। হৌজিক লমদম অদুদা ওইরিবা ফীভম অমসুং মাঙ-তাকপগী মওংশিং অদু ইরান্না রেস্পোন্সিবল লৌগদবনি হায়না লুচিংবা অদুনা মমাঙদা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

বস্রা হায়রিবা মফম অদু মীওই মিলিয়ন ২ রোম্না খুন্দাবা মফম অমনি। লমদম অদুদা হৌখিবা চয়োলদগী হৌনা ভাইওলেন্স য়াওবা খোঙজং চঙশিল্লকপনা মরম ওইরগা লমদম অদুগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। পোমপেওনা হায়, ইরান্না রোকেট এটেক চখ্থরকপশিং ঙাকথোকপা ঙমদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা কন্সোলেট ওফিস অদু থোঙ লোনশিন্নবা থৌশিল পায়খৎখিবনি।

অমেরিকা অমসুং য়ু এসকী ইরাক্তা লৈবা ফেসিলিটিশিংদা কিহন-খঙহনবগী থৌওং কয়া চখ্থরকখিবনা মরম ওইরগা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্ল হল্লে। ইরানগা হৌজিক উংখৎনবা লৈরিবা অদুদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা ৱারেপ কয়া লৌখিবা লৈখ্রে। টেহরানগী মথক্তা য়ু এসনা সেঙ্কসন কয়া থমজিনখিবসু লৈখ্রবনি। মদুদা নত্তনা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়ার দিল হন্দোকখ্রবনি হায়রি।

# ইন্দোনেসিয়াদা অকনবা য়ুহা হাবা অমসুং সুনামি লাকপনা মরম ওইরগা মীওই ৩৮০ শিখ্রে

জাকর্টার, সেপ্টেম্বর ২৯ (এজেন্সী):
ইন্দোনেসিয়াদা মেগনিচুদ ৭.৫ য়ৌবা অকনবা য়ুহা হাবদা চাউনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। য়ুহা অদুগী মতুংদা সুনামি লাকপনা মরম ওইরগা মীওই ৩৮০ গী পুন্সি মাঙখ্রে।



ইন্দোনেসিয়াগী সুলাৱেসি ঈথৎকী পালু সিটিদা ফুট ১০ রোম ৱাংবা সুনামি ঈথক লাকখি। লমদম অদুদা ওইখিবা অকিবা ফংলবা ফীভম অদু সোসল মীদিয়াদা থাগৎনরকখ্রে। মীওই কয়ানা কপ্পা-লাউবগী ফীভম কয়াসু উখি। ইরাই নুমীৎকী অথেংবদা হাখিবা মেগনিচুদ ৭.৫ য়ৌবা য়ুহা অদুগী মতুংদা ঙসি অফ্টর সোক ওইনা য়ুহা কয়ারক হাখ্রে। লমদম অদুদা লৈবা য়ুম, হোস্পিটাল, হোটেল অমসুং সোপ্পিং সেন্টর কয়া নীংখায়খ্রে। মী কনবা কাঙবুনা হৌজিক অতেক অকায় নংখ্রবা মফমশিং অদুদা মী কনবগী থবক চখ্থরি। অদুম ওইনমক লমদম অদুদা মৈ ফংদবনা মরম ওইরগা মী কনবগী থবক পায়খৎপদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরি হায়রি।

পালুগী মরুওইবা লম্বীশিং চীং নীংখায়রকপনা মরম ওইরগা ফাওনবা য়াখিদ্রে। মদুদা নত্তনা মরুওইবা থোং কয়াসু নীংখায়খ্রে। ইন্দোনেসিয়া দিজাষ্টর এজেন্সীনা ফোঙদোরকখিবদা, অকনবা য়ুহা অমসুং সুনামি লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৩৮৪ গী পুন্সি মাঙখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। অতেক-অকায় মরক্তা মীওই কয়া ফুমজিন্দুনা লৈরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবনা অশিবা মীগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৫৪০ অশোক-অপন নংবদগী লায়কন্নখ্রে। অদুগা মীওই ২৯ না থিবা খঙদনা লৈখ্রে হায়রি। পালুগী লম্বীশিংদা অশিবা হকচাং কয়া ফিনা কুপ্তুনা লৈবা উরি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা অশিবা হকচাংশিং অদুগী মরক্তা মখোয়গী মীওইশিং খন্দোক্লবা হোৎনরি। সুনামি লাকপনা মরম ওইরগা সমুদ্র খোংবালগী শরুকশিংদগী অশিবা হকচাং কয়াসু ফংবা ঙমখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়না ৱাঙাঙলোয় সুতোপো পোরৱোন নুগ্রোহোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদু খ্বাইদগী হেন্না কিনিংঙাই ওইবা অমনি। সমুদ্র খোংবালদা শান্নদুনা লৈবা মীওইশিং অদু খঙহৌদনা সুনামি লাকপনা মরম ওইরগা চেনফম খঙখিদে। শাথিবা সুনামি অদুনা কার, গাড়ী অমসুং য়ুম কয়া চেন্থখি। খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা হিংহৌরবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মহাক সুনামিগী অৱাংবা ঈথক লাকপা মতম অদুদা উ পাম্বী অমদা কাখৎতুনা মশা কঞ্জহৌখি। য়ুম, হোটেল, সোপ্পিং সেন্টর কয়া নীংখায়খ্রে। মেগনিচুদ ৭.৫ য়ৌবা য়ুহা অদুগী মতুংদা পংকন কন্দবা অফ্টর সোক ওইনা য়ুহা কয়ারক হাখ্রে।

পালু খক্তদা মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙখ্রে। পালুগী বিসতা ফেষ্টিবেল অমা পাঙথোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা মীওই চা কয়া তিন্দুনা লৈখি। ইরাই নুমীৎকী নুমীদাংদগী হৌগদবা ফেষ্টিবেল অদুদা শরুক য়াবা মীওই কয়া খুদোংথিবা মায়োক্লখ্রে। অদুগা মীওই চা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

পালু অমসুং দোঙ্গালা হায়না খঙনবা মীওই লাখ ৬ লোম্না খুন্দাবা মফম অদু চাউনা অমাঙ-অতা নংখ্রে। প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা খুদোংথিবা নংখ্রবা মফমশিং অদুদা মী কনবগী থবক পায়খৎনবা লান্মী কয়া থাজিনখ্রে। সুনামি লাকপনা মরম ওইরগা পালুগী মরুওইবা এয়রপোর্ট থিংজিনখ্রে। মিনিষ্টর অমনা ফোঙদোরকখিবদা, এয়রপোর্ট অদুগী শরুক কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে। হৌজিক এয়রপোর্ট অদুদা ওইরিবা ফীভম অদু হেলিকোপ্টর অমখক্তমক তাবা য়াবগী ফীভমদা লৈ হায়রি।

## এফ-৩৫ ফাইটর জেট অমা কায়খ্রে

ৱাশিংতন, সেপ্তেম্বর ২৯ (এজেন্সী)ঃ
য়ু এসকী এফ-৩৫ বি ফাইটর জেট অমা কায়খ্রে। ফাইটর জেট অদু অহানবা ওইনা শগোলশেন নুমীৎতা অফঘানিষ্টান্দা কোম্বেট ওপরেসন চখ্থবদা শরুক য়াখিবনি। এফ-৩৫ বি ফাইটর জেট কায়খিবা অদুনা মরম ওইরগা য়ু এস মিলিটরিগী এফ-৩৫ ফাইটর জেট প্রোগ্রামদা চাউনা নীংহন্নবা পোকহল্লে। খ্বাইদগী হেন্না শেল থাদদুনা শেম-শাখিবা এফ-৩৫ বি ফাইটর জেট অদু সাউথ কেরোলিনাদা কায়খ্রে হায়না মেরিন কোর্পসনা ফোঙদোরক্লি।

অদুম ওইনমক পাইলোট অদু উপায় অমা তৌদুনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা ইজেক্ট তৌবা ঙমহৌখি হায়রি। মেরিনরশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, অমেরিকাগী খ্বাইদগী শেল চঙবা ফাইটর জেট এফ-৩৫ বি কায়খিবা অদুগী মতাংদা থিগৎপগী থবক চখ্থবা হৌখ্রে। এফ-৩৫ হায়রিবা ফাইটর জেট অদু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না শেল চঙবা ৱিপন প্রোগ্রাম অমগী মখাদা শাখিবনি। হৌজিক ফাইটর জেট অদু মালেমগী লৈবাক কয়াদা য়োন্ননবা থৌরাং তৌরিবনি। ফাইটর জেট ৩০০০ তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা য়োন্ননবা থৌশিল চখ্থরিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক নৌনা হায়রিবা এয়রক্রাফ্ট অমা কায়খিবা অদুনা য়ু এসকী প্রোজেক্ট অদুদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরবা য়াই হায়রি।

## দেনমার্ককী ঈথৎ অমগা শম্নবা লম্বীশিং থিংজিনখ্রে

দেনমার্ক, সেপ্তেম্বর ২৯(এজেন্সী)ঃ
স্বিদেনদা রেজিষ্টার তৌবা কার অমা দেনিস পুলিসনা ফাননবা হোৎনরি। কার অদুদা তোংলকখিবা মীওই অহুম্না শাথিবা ক্রাইম চখ্থরম্বা লৈখি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না অমুবা ভোলভো ভি ৯০ দা তোংদুনা লাকখিবা মীওই অহুম অদু ফাননবা হোৎনরি। মীৎনা উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, গাড়ী অদু পুলিসকা ৱারী শানখিবা উখি হায়রি। স্বেদিস ন্যুজ পেপর অমনা রিপোর্ট তৌরকখিবদা, মীওইশিং অদুনা মী ফাবগী থবক চখ্থরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। ওথোরিটিনা দেনমার্ককী খ্বাইদগী চাউবা ঈথৎ ন্যুজিলেন্দগা ফাওনগদবা অমদি মরুওইবা পোৎ পুথোক পুশিন তৌরিবা লম্বী মতম খরগী ওইনা থিংজিনখ্রে।

গ্রেট বেল্ট ব্রিজনা ঈথৎ ফুনেনগা শম্নরিবা অদুগুম্বা থোং অদুসু থিংজিনখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ফেরি সার্ভিস অমসুং ট্রেন চখোক চৎশিন তৌবদা চাউনা অপনবা থোকহল্লে হায়রি। কোপেন হেগেন পুলিসনা চখোক-চৎশিনগী লম্বীশিং থিংজিন-খিবা অদুদা অশোয়বা লৈরে হায়না য়াজবগা লোয়ননা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখ্রে। পুলিসকী মেছিনগন য়াওবা গাড়ীশিংনা লম্বী অদুদা লাকপা গাড়ী কয়া খামদুনা চেক তৌননবা হোৎনখি। গাড়ীশিং অদু কোপেন হেগেনগী মায়কৈ তম্না লাকপনি হায়রি।

## নাইজেরিয়াগী জেট ক্রাসতা পাইলোট ১ শিরে

অবুজা, সেপ্তেম্বর ২৯(এজেন্সী)ঃ
নাইজেরিয়া মিলিটরি এয়রক্রাফ্ট অমা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা কায়খিবদা পাইলোট শিরে। পাউ অসিগী মতুংইন্না নাইজেরিয়াগী নিং-খা তম্বা নুমীৎ পালনগা মরী লৈননা রিহার্সেল ওইনা ফাইটর জেট অনী পাইখি। মদুগী মনুংদা ফাইটর জেট অমা অবুজাগী কটাম্পে দিষ্ট্রিক্টতা কায়দুনা তাশিনখি।

অহানবদদি এয়রক্রাফ্ট অদু কায়বদা মীওই অমত্তা শিখিদে হায়না লৌনরম্বনি। অদুম ওইনমক এয়র ফোর্সকী ৱাঙাঙলোয় ইবিকুনলে দরামোলানা ফোঙদোরকখিবদা, ফীভম অদু মখা তানা য়েংশিনবদা পাইলোট অমা শিখ্রে হায়বা খঙবা ঙল্লে হায়রি।

পাউ অদু লৈবাক অদুগী ওইনা খ্বাইদগী হেন্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইবা অমনি। এফ-৭ এন আই এয়রক্রাফ্ট অদু ঙসি কায়খিবনি। অদুগুম্বা খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা পাইলোট অমদি মতম চানা ইজেক্ট তৌহৌবা ঙমহৌখি। অদুগা অতোপ্পা পাইলোট অদুদি ইজেক্ট তৌহৌবা ঙমহৌদবনা মরম ওইরগা শিখিবনি হায়রি। পাইলোট অমা লৈখিদবা অদুদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই হায়খি। পাউ অসিগী মতুংইন্না ফাইটর জেট অদুগী ৱিং ক্লিপ অমা খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপনা মরম ওইরগা খুদক্তা লেন্দিং তৌবগী তঙাইফদবা লাকখি। পাইলোট অমদি মতম চানা ইজেক্ট তৌহৌখি হায়রি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি


L. Sudhakar

ঐনা য়াম্না হরাওবা নুংঙাইবগা লোয়ননা শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা নুঙগী লায়েংবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হিদাক চাবদগী ঐগী ওইথংবা ঈশিং মরীদা লৈরম্বা নুঙ অদু তারক্লে। মসিগীদমক্তা পাউচেগী থোংদা ইয়াম্বা সুধাকরবু হরাওবা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

***Sd/-* Mr. Kahim Panmei**
Tarung Thangmeiband

HL-P/2212/30

**BUMPER STOCK CLEARANCE SALE**

1. OLD WHITE SHIRTS HALF & FULL (ALL SIZES) – ₹150 only
2. CHILDRENS ITEMS:- JEAN HALF PANT TOPS, SHIRTS LONG PANTS, FROCKS, MISC. MIX VARIETY – ₹150 only
3. GENTS SHIRTS FULL & HALF (STAINED & IND QUALITY) – ₹150 only
4. GENTS KURTA HALF & FULL (STAINED & IND QUALITY) – ₹150 only
5. GENTS TROUSERS MIX. VARIETY (WAIST 28 & 30 ONLY) – ₹200 only
6. UNIFORM PENNAFROCK'S & TROUSERS (OLD STOCK CLEARANCE) – ₹150 only
7. CHILDREN SOCKS MIX. SIZE & COL. (OLD STOCK CLEARANCE) – ₹10 only

"OFFER VALID TILL THE STOCK LAST"
HURRY ! SELECT THE BEST ONE FIRST

*VENUE :-* **BRIGHTWAYS**
1ST FLOOR, OPP. PUNJAB & SIND BANK
DHARAMSHALA ROAD, IMPHAL-1

HL-B/4799/19/8-16/9(Alt)

**<< FRESHER AIRPORT JOBS - 2018 >>**



International & Domestic Airlines
Vacancy For : -
1. Fresher Cabin Crew & Hostess
2. Ground Staff & Junior Assistant
3. Cargo Staff , Loader & Driver
Eligibility : 10TH ,12TH ,Graduation
*Scale of Pay : Rs.12,500- Rs.48,000 Per M.*
Job Location : Mumbai , Gandhinagar, Bhopal & North East States of India.

*INTERNATIONAL MERCHENT NAVY JOB*



i . Deck Officer & DNS Cadet
ii. Short Term G.P Rating
iii. Ship Hostess For Female
iv. General Steward
Eligibility : X to Graduation.
Age :- 17 to 37 Years
*Salary : Min Rs-42,000 Per Month*

*-FRONT OFFICE RECEPTIONIST JOB IN IMPHAL -*
* Wanted Urgently Front Reception in Office of the Leima Job Imphal
No of Post :- 03 Married . Salary :- Rs-5000 to 12,500. Qua :- X/XII

*<<< SMS PART/FULL TIME JOB AT HOME>>>*
Post: SMS Worker Qua : VIII /X Above Salary : Rs-8000 to Rs-10,200.

WANTED STAFF AGENT IN IMPHAL
Post : Staff Agent . Age : 18 to 36 Years, Qua : X above. Salary : Rs-8000-Rs12,200.

NAVY JOB IN INDIA
Post : i) Civilian Motor Driver ii) Guard Boys & iii) Radio Operator
Essential : Matriculation Pass or Equivalent. Age : 18 to 30 Years only
Pay Scale : Rs-25000-Rs-811,100

For Detail Pl Visit us at :-Leima Job Guideline Service.
*Kwakeithel Bazar, Airport Road, Imphal . Helpline no :-8974975286*

HL-B/4793/12/8-10/9(Alt.)

**REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES: IMPHAL-795004**
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)

**INDICATIVE ADVERTISEMENT**
Imphal, the 29th September, 2018

No. 191/DBT-Dental/RIMS-2018: A "Walk-in-interview" for recruitment of the following position for a project under DBT's programme "Proposal for the use of Foldscope as a research tool" on contractual basis will be held on 4th October, 2018 at 11:00 am in the Office Chamber of Director RIMS, Imphal. Interested candidates fulfilling the required qualifications, experience and age limit may apply for the interview. **Application in plain paper should be submitted to the Office of the Director, RIMS, Imphal on or before 1st October, 2018 and the application received after 4.00 pm of 1st October, 2018 will not be entertained.**

| Sl. No. | Name of Post | Consolidated pay (per month) | No. of Post | Duration |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Junior Research Fellow | Rs. 25,000/- | 1(one) | 6 months or completion of project whichever is earlier. |

The detail of Essential Qualification, Desirable Experience & Age Limit of the posts may be seen in the full version of the Advertisement at RIMS website, www.rims.edu.in.

The engagement is strictly co-terminus with the project and especially required for the above research project for the period mentioned against the post and may be extended further based on performance and tenure of the project. The selection committee shall make the engagement on finalization of a contract agreement after recommendation. Candidates should provide No Objection Certificate from the employee, if employed elsewhere, on the day of walk-in-interview.

Sd/-
Dr. Nandita Kshetrimayum
Principal Investigator,
Foldscope Project
Dept. of Public Health Dentistry
Dental College, RIMS, Imphal

HL-B/4891/30

**J.N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES**
**POROMPAT, IMPHAL – EAST**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 28th of September, 2018

No. JIMS/TS-1/4/08(Pt.III): Jawaharlal Nehru Institute of Medical sciences (JNIMS), Imphal invites applications in the prescribed format from willing and intending candidates for appointment to the post of Senior Resident for a **tenure period of 3(three) years** in the following Departments against the vacancies and the scale of pay as detailed below :

**(1) Name of Post:- Senior Resident; Scale of Pay -Rs. 15,600-39,100/- plus AGP Rs. 5,400/-**

| Sl. No. | Name of Department | No. of Post | Reservation | Eligibility |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Anesthesiology | 4 | 2-UR;1-ST;1-OBC(M) | **Essential Qualification** - Registered MBBS with PG Degree in the concerned subject. **Age:** The upper age limit of applicant should be less than 40 yrs as on 28/09/2018 inclusive of all the relaxation as permissible under any State laws in force . As per Medical Council of India Minimum Qualifications for Teachers in Medical Institutions Regulations, 1998 (as amended from time to time). |
| 2. | Surgery | 4 | 2-UR;1-ST;1-OBC(M) | |
| 3. | Surgery (Neurosurgery) | 2 | 2-UR | |
| 4. | Surgery (Urology) | 2 | 2-UR | |
| 5. | Medicine(Endocrinology) | 2 | 2-UR | |
| 6. | Medicine(Gastroenterology) | 2 | 2-UR | |
| 7. | Medicine ( Nephrology) | 2 | 2-UR | |
| | Total | 18 | | |

8. Application Form: willing and intending applicants may obtained the application form from the office of the undersigned during the office hours.
9. Application Fee: Rs.1,000/- for un-reserved and OBC candidates and Rs.500/- for Scheduled Caste /Tribe /PWDs respectively. Application fees should be deposited in cash at the time of submission of application form to the office of the undersigned.
10. Last date for form submission : **20/10/2018**
11. The number of post and the categories of post mentioned above may increased or decreased.
12. Scheduled date and time of interview/Viva –Voce shall be notified on a later date. No correspondence in this regard shall be entertained.

Sd/-
Prof. Th. Bhimo Singh
**Director, J.N. Institute of Medical Sciences**

HL-B/4893/30

**MANIPUR MEDICAL COUNCIL**
www.manipurmedicalcouncil.org

Email: registrar.mmc.man@gmail.com
Address:
Office of Registrar, MMC,
Medical Directorate Complex,
Lamphel, Imphal - 795004

Election to the Manipur Medical Council

**NOTIFICATION**
Imphal, the 23rd September, 2018

No.MMC-E(1)/2014-6 : It is hereby notified to all concerned that there will be an election to fill up the 3 (three) vacant post of Members of Manipur Medical Council (MMC) from amongst the Registered Medical Practitioners of MMC for the period till October 2019 or a new Manipur Medical Council has been constituted.

2. Nomination form : Any Registered Medical Practitioner under MMC qualified to stand for election under Section3 of Manipur Medical Council Act may be nominated as a candidate and such nomination will be made by means of a nomination paper (Form 8), which will be supplied to any elector who may apply for the same.

3. Nomination fee : Each candidate wishing to stand for the election will pay to the Registrar a fee of Rs.1000/- by crossed bank draft from a nationalised bank in favour of "Manipur Medical Council" payable at Imphal. The said fee is non-refundable.

4. Nomination of candidate : Each candidate's name will be proposed by any two members of the Registered Medical Practitioner, one as the proposer and the other as the seconder who will duly complete and sign the prescribed nomination form. The nominated candidate himself/herself will also subscribe in the nomination form which will indicate his/her consent to the nomination.

5. Receipt of nomination paper : The completed nomination paper will be received upto 4:00 p.m of 6th October, 2018 at the Office of the Registrar, Manipur Medical Council, Lamphelpat (Medical Directorate Complex).

6. Scrutiny of nomination paper : Scrutiny will be done on 9th October, 2018 at 2:00 p.m at the Office of the Registrar, Manipur Medical Council, Lamphelpat (Medical Directorate Complex).

7. Withdrawal of candidature : The last date for withdrawal of candidature is upto 4:00 p.m of 11th October, 2018.

Candidate may withdraw his/her candidature by notice in writing delivered to the R.O within the above time period.

8. Polling : Polling, if necessary will be carried out on 13th October, 2018 from 10:00 a.m to 3:00 p.m at the Office of the Registrar, Manipur Medical Council, Lamphelpat (Medical Directorate Complex).

If the number of contesting candidate does not exceed the number of vacancies to be filled in the R.O will forthwith declare such candidates as duly elected to fill such vacancies without any polling. When the number of candidates exceed the number of members to be elected, the R.O will conduct the election within the above stipulated time.

9. Scrutiny and counting : Scrutiny and counting of vote will be done on 13th October, 2018 from 3:30 p.m onwards at the Office of the Registrar, Manipur Medical Council, Lamphelpat (Medical Directorate Complex).

A candidate and not more than one representative, duly authorised by him/her may remain present at the time of counting votes. The R.O can reject a ballot if it is not properly filled or completed. All the ballot papers other than those received late or rejected will be mixed together and then scrutinized and the valid vote counted.

10. Declaration of election results :

After counting of votes is completed the R.O will declare the result of election. If there is an equal number of votes in favour of two or more candidates for one vacancy the election will be determined by the R.O by draw of lots in presence of the candidates or their representatives.

Sd/-
Dr. Th. Dhabali Singh
Returning Officer
to the Election of Member of MMC

HL-B/4888/29&30